# কোঙ্গোল সী এস ও ওন্থোক্লা য়ামখি

## থোইদিং হৈদোক্লগা খুনবসু য়াওখি

হৌজিকপু মণিপুরদা 'সী এস ও' (সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশন) হায়বসিবু করিনো, মসিগী ৱাহন্থোক্লা করিনো, করিবু-করম্বা মখলগী 'লূপ' পু সী এস ও হায়না খঙনগদগে হায়বসিবু শন্দোক্লা অমসুং কোয়থোক্লা তাক্লুবগী মথৌ তাখিগদ্রা? অদুগা মণিপুর লৈঙাক্কী রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ লোয়শঙনা চৎনহল্লক্লিবা মণিপুর সোসাইটিজ রেজিস্ট্রেশন (এম এস আর) এক্টকী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না পীরিবা 'মেমোরেন্দম ওফ এসোসিএশন' গী পরিংদা রেজিষ্টর তৌরবশিং খক্তবু সী এস ওশিংনি হায়দুনা লৌগদ্রা, রেজিস্ট্রেশন তৌদবশিংদি সী এস ওশিংনি হায়দুনা লৌরোইদ্রা হায়বনচিংবা ৱাহংশিংবু হংফম থোক্লিব্রা? অচৌবা হায়বদি য়াম্না পাক চাউখ্রবা ষ্টেটশিংগীদি খঙদ্রে। সিক্কিম য়াওনা নোর্থ-ইষ্টকী ষ্টেট ৮গী মনুংদদি রিজনসিদা খ্বাইদগী চাউবা অসাম য়াওরবা ফাওবদা মখল কয়াগী সী এস ও মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবসি পীক্লবা মণিপুরনা শোয়দনা ওইরমগনি হায়বদা অরানবা ৱাফম ওইখিগদ্রা হায়বনি। ৱাহংসি হংলকই হায়দুনা সী এস ও পনবদা অমসুং মশীং য়ামখৎলকপদা য়ানীংদবা অমদি পামদবা, নুংঙাইতবা পোকপা/ফাওরকপগী ৱাফম নত্তে। খোইদৌ থিৎপমখৈ শাওগৎলকপসু নত্তে। কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬তগী চৎনরক্লিবা লৈবাকসিগী কন্সটিটুশনগী সেদ্যুল্ড অমসুং আর্টিকল, অনীসিগী পাড়া অমদি ক্লোজশিংদা 'মীয়াম' (পিপলস) হায়বা'মা য়াওদবা, লোয়নদবা য়াওদে। হায়বদি কন্সটিটুশনসিগী পাক্লবা য়ূম্ফমদা লিংলক্লিবা লৈঙাকসি মীয়াম্না খঞ্জবা মীহুৎশিংননি হায়বদি কন্সটিটুশন অমসুং লৈঙাকসিগী হৌরকফম পূন্নমক মীয়ামনি। মসিমক্লা মীয়াম্না 'পীসফুল এশেম্বল' তৌরকপদা অয়াবা পীরক্লিবনি। সী এস ওশিংবু তোঙান-তোঙানবা হীরমশিংদা 'ষ্টেকহোল্ডর' শিংনি হায়দুনা ফাওবা লৌদুনা অৱাংবা থাক্তা থাঙ্গৎতুনা মরু ওইখ্রবা ফিদাদা ফাওবা ফম্ফম পীরক্লিবনি। সী এস ওশিংনা লৌরক্লিবা থৌদাংশিংসু ওন্থোক্লা চাওখ্রবা অমসুং য়ামখ্রবা ঙাক্তনি। অতোপ্পা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগীদি খঙদে। মণিপুর মীয়ামগীদি মখোয়গী অনীংবা-অপাম্বা'মা লৈরকপদা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মশানা খঙনা পীরকপা, থবক্তা ওন্থোরকপা য়াওখিদ্রিবনা মীয়াম্না পুনশিল্লগা শেমজবা সী এস ওশিংনা মাঙজিল থাদুনা খূৎমারক্তুবদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি পোৎ লানবদৌনা লুকমাইদা হাপ্পবা অথেনপোৎতৌনা লান্থোরকপা য়াওখিদ্রি। হৌজিকসু তকশিনবা, তানবা, নিবা অমসুং হায়জবা দিমান্দ কয়া পন্থুং য়ৌবা ঙমদনা লৈরিবনি। ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (আই এল পি এস) কী মতাংদা ওইরবসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টরগী অচানবা মনাই, খৌবুনাই খরনা 'অমিটজি' না মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা, পূক্লিংগী ঈহুল খঙনা পীবিরকপনি, চৎনহনবীরকপনি হায়খিবগী ৱানি। 'লমজিং মৈরা' হায়দুনা মিংথোল পীখিবা মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদ লৈখিদ্রবা মতুংদা চৎনহল্লকখিবা নৎত্রা?

থেঙ্খাং কয়াদা অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি মায়োক্লখ্রে, ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। লোইনা পোপথোক্লুবদা য়াম্না শাংলনি। মফম খরদগী অফস্পা লৌথোকপগী মতাংদা হায়রুরবসু লৈবাক মীয়াম, সী এস ওশিং অমসুং ইরোম চনু শর্মিলানা চহী কয়ানো চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রিবদো? স্বাইদা তৌবনা শিধ পাল্লক্তবদগী দেল্লীগী যন্তর-মন্তরদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিল্লুবদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরক্তুনা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৭তগী লৌথোকপা হৌখ্রিবনি। হায়বদি মতম-মতমগী ওইনা মণিপুর মীয়ামগী মথৌ তারকপা, অনীংবা-অপাম্বশিং লৈঙাক্লা মাঙজৌননা খঙনা থবক্তা ওন্থোরকপা য়াওখিদ্রি হায়বা য়াই। নীরগদা পীবা, হায়রগতা তাবগী ফীভমদা লৈরকপনিনা রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজনা শকখঙগেরা-শকখঙলোইরা, রেজিষ্টর তৌগেরা-তৌরোইরা মীয়ামগী সী এস ওশিংগী মথৌ অদুম্মক তারি হায়বনি। অদুগা সী এস ওশিংগী মশীং য়াম্বা নৎত্রগা য়ামদবগী মতাংদসু পান্দম অমসুং ফিরেপ্পু মান্নদুনা খোঙফম অমত্তদবু লেপমিন্নবা ঙল্লবদি থোইদোক্ত্রেনে। তৌবতবু মশীং য়ামখৎলক্লিবা মখৈ পূক্লিং-ৱাখল মান্নদ্রে হায়বসিবুদি চুমদ্রিং চুন্নবা ৱাফম্নি। মশোমদসু কোইথোক্লুদনা হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি মীয়ামগী লূপনি, সী এস ওনি হায়দুনা হৌ-হৌ চোংদুনা থোরক্লগা পোক্লাওবীনা লোইশিনখি হায়বদুগী ফীভমদা নুংশা থোরক্লগা কংখিবা লিক্লা অমসুং ঈয়াইদা তাকখিবা কোঙ্গোলগুম্বা সী এস ও ময়াম য়াওরক্লিবসি করিগীনো, করিদগীনো, সী এস ওদুনা থম্লকখিবা ফংনীংলিবা পান্দমদু ফংবদগী থুপচিঞ্জখিব্রা হায়বনিদা!! হোয়, থৌদোক-ৱাথোক অমগী মায়োক্তা শেম্বা জে এ সীনচিংবদি ৱাথোক্তুগী ৱারোইশিন পুরক্লগা লোইশিনখিবা য়াওই। মথৌ তাবনি হায়দুনা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা শেম্বা/লিংখৎপা কম্মিটি অমসুং কম্মিশননচিংবসু পাঙথোক্কদবা থবক-থৌরমশিংদু মপূং ফারবা মতমদা লোইশিন-খমজিনখিবা য়াওই। অদুবু পীক্লবা মণিপুরসিদা মীয়ামগীনি হায়দুনা মসা-মরেং ফন্না চোংথোরকখিবা, মীয়ামগী থবকসু থেক-থেক্লা তৌরমখিবা অদুগা পোলোইদনা শুরু-শুরুদা লোইশিনখিবা, ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা লৈখিবা ময়াম য়াওরক্লিবসি করিগীনো, মখোয়গী মথৌ-মঙম লোইরে, পাঙথোক্কদবা লৈত্রে হায়না তৌরিব্রা হায়বনি। অসিগুম্বশিংসি য়াম্না য়াম্মী। লোইনা পনবদা ৱানি। হৌদোক-কাঙথোক্লম্বা ময়ামদুগী থৌমীনিগা হায়জখিবশিংদুগী মরক্তুগী হৌজিক ফাওবা হিংলম্বগা য়াওরম্লবদি নীংদোল পোমনি, মথ্বায় নুংঙাইখিরোই। মতম কুইরবগী তুংদা নৌহৌননা শাফোংলকখিগদ্রা হায়বদি তম্বা ঙমদ্রি। অদুবু চহী খরগী মমাঙদা লৈরমখিবা 'এন্টি করপশন ষ্ট্রগল কম্মিটি' (এ সী এস সী) অমসুং 'মণিপুর ফোরৱার্দ য়ুঠ ফ্রন্ট' (মফিফ) কা হায়দুবু মীয়ামগী মিৎনা অমুক হন্না উরকখিগদ্রা, নাকোংনা তারকখিগদ্রা? অতৈসু ময়াম লৈরি। লোইনা পল্লরোই। চহী ২ হেল্লক্লবা কনখ্রবা লানসিগী মনুংদা ফাওবা মৱা-মনিল নাইরকখিদ্রবদুনা লানসিগীদমক য়েৎনরিবা লূপশিংসিগী পান্দমগা লম্বেল পুন্দে হায়বদগী ওইবা জাৎলা? অদুগা তৌগদবা, টার্গেটিতা-বুলদা পানগদবা তেনদি কাপ্তবা, ক্রাউদ পুল্লর ওইনবদং হোৎনবা মানবা সী এস ওশিংগী মশীং য়ামখৎলক্লিবসিদি 'থোইদিং পোৎ'মা হৈদোক্লগা খুল্লি' হায়বগী থৌদৌদুনি হায়রুবদা ৱারু-নুংজু থোক্লরক্কদ্রা? মণিপুর মচেৎ তাহন্নীংবা কুকি-জোগী এম এল এ ১০গী মথক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী 'রুলস ওফ প্রোসিজর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজিনেস' কী মখাদা ইথিক্স এন্দ প্রিভিলেজ কম্মিটিনা এক্সন লৌদে হায়দুনা লাউ খোংবদি তৌখিবা, লৌহন্নবা 'এপ্রোপ্রিয়েট ফোরম' অমদা ৱাকৎলু হায়বদদি য়াখিদবসু য়াওই হায়বনিদা!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৫৩৫)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কাইনৌ চীংখৈলাকপগী মমোম। মচেম ইবেমমা পুরিবীদা। পুমনমক ৰাহে পাউদমজখিয়ে। নিংথৌ মমোম ওইরবী। ইচেম ইবেমমা পুরিবী নঙনা। তরা চাকথোংনা চাকচানবা। চেঙ মচংবু নৌপ্বা ঐগীদমক। চরৈ ফিজী ইনফি মতোলদা। কিশি কীনা য়োমবীদুনা পীবিরকপদি। লুকাকথকতা নেৎলুদুনা। খোঙফমচাদা নানথুঙৈদা। তরা চেঙ পুমবা। তরা চেঙজা চেঙথীবা লাকপা ৰাবা চেকলা। ৰাপা নিংথৌ চেঙচাবনা। লোইনা চাথোকখিয়ে। হায়বদা নিংথৌ মমোম ওইরিবী। মচেম ইবেমমা পুরিবীনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯕꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯵꯳꯵)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯨꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ॥)

ꯀꯥꯏꯅꯧ ꯆꯤꯡꯈꯩꯂꯥꯛꯄꯒꯤ ꯃꯃꯣꯝ॥ ꯃꯆꯦꯝ ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ ꯄꯨꯔꯤꯕꯤꯗꯥ॥ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯔꯥꯍꯦ ꯄꯥꯎꯗꯝꯖꯈꯤꯌꯦ॥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯃꯣꯝ ꯑꯣꯏꯔꯕꯤ॥ ꯏꯆꯦꯝ ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ ꯄꯨꯔꯤꯕꯤ ꯅꯪꯅꯥ॥ ꯇꯔꯥ ꯆꯥꯛꯊꯣꯡꯅꯥ ꯆꯥꯛꯆꯥꯟꯕꯥ॥ ꯆꯦꯡ ꯃꯆꯪꯕꯨ ꯅꯧꯄ꯭ꯋꯥ ꯑꯩꯒꯤꯗꯃꯛ॥ ꯆꯔꯩ ꯐꯤꯖꯤ ꯏꯟꯐꯤ ꯃꯇꯣꯜꯗꯥ॥ ꯀꯤꯁꯤ ꯀꯤꯅꯥ ꯌꯣꯝꯕꯤꯗꯨꯅꯥ ꯄꯤꯕꯤꯔꯛꯄꯗꯤ॥ ꯂꯨꯀꯥꯛꯊꯛꯇꯥ ꯅꯦꯠꯂꯨꯗꯨꯅꯥ॥ ꯈꯣꯡꯐꯝꯆꯥꯗꯥ ꯅꯥꯟꯊꯨꯉꯩꯗꯥ॥ ꯇꯔꯥ ꯆꯦꯡ ꯄꯨꯝꯕꯥ॥ ꯇꯔꯥ ꯆꯦꯡꯖꯥ ꯆꯦꯡꯊꯤꯕꯥ ꯂꯥꯛꯄꯥ ꯔꯥꯕꯥ ꯆꯦꯛꯂꯥ॥ ꯔꯥꯄꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯆꯦꯡꯆꯥꯕꯅꯥ॥ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯆꯥꯊꯣꯛꯈꯤꯌꯦ॥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯥ ꯅꯤꯡꯊꯧ ꯃꯃꯣꯝ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯤ॥ ꯃꯆꯦꯝ ꯏꯕꯦꯝꯃꯥ ꯄꯨꯔꯤꯕꯤꯅꯥ॥ ●

# ঐখোয় লানগা মরী লৈননা শেরান-তুরানবা পাউশিং শন্দোক্লোইসি



মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক ইন্দিয়া-পাকিস্থান অনীগী লান লেপ্পখ্রে। মীদিয়াগী খূৎথাংদগী লৈবাক অনীনা হন্দক্তা থেংনখিবা লানগী ফীভমশিং ঐখোয় পূন্নমক্লসু ময়েক শেংনা খঙনখ্রে। সিদা নত্তনা, লানসি করি মরমদগী থোক্লকখিবনো অমদি হৌরকপদা পীকশিনবা য়ারমগদ্রা খন্নরম্বা লানসিনা করি মরমদগী পাকথোক-চাউথোক্লকখিবনো অমদি শাংথরকখিবনো হায়বসিগী মরম পূম্বদসু ঐখোয়না হান্নদগী হৌনা ময়েক শেংনা খঙমিন্নদুনা লাকখ্রে। অদুম ওইনমক লান মখা শাংথরকপগী মতাংদদি তঙাইফদনা ময়েক শেংনা ৱাফম অমত্তংদি পঞ্জহৌনীংই। ইন্দিয়ানা হন্দক পহলগাম টেরর এটেককী মতুংদা পাকিস্থান অমদি পাকিস্থান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পোক) কী এরিয়াশিংদা লৈবা টেররিষ্টশিংগী মরু ওইবা কেম্প মাপনদা এয়র ষ্ট্রাইক চখ্দুনা এটেক তৌখি। মদুগী মতুংদা, ইন্দিয়ানা ফনা ফজনা অচুম্বদু হায়রগসু পাকিস্থাননা খঙনা-খঙনা অচুম্বদু খক লৌ হায়বা য়াখিদে। থৌদৌসিমক্লা ইন্দিয়া-পাকিস্থানগী লান মখা শাংথরকখিবনি। হন্দক্কী লানদু মখা শাংথনরকত্রিঙৈদা ইন্দিয়ানা হায়খি, "ঐখোয়না য়াম্না কূপ্না থিজিন্দুনা পহলগাম টেরর এটেকতুগী মরী লৈনবা টেররিষ্টশিংগী কেম্পশিং খক্তদা লমন খুম্বা ওইনা এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবনি, ঐখোয়না পাকিস্থান আর্মিগী কেম্প অমত্তদা খক খূৎ থাখিদে, য়াম্না হৈ-শিংনা হোৎনদুনা পাকিস্থানগী আর্মি অমত্তবুসু অশোক-অপনশিং নংহনখিবা লৈতে" হায়না। অদুবু ইন্দিয়ানা ৱাফমসি ফনা নীংথিজনা চুন্নমক হায়রগসু অমসুং পাকিস্থান লৈঙাক্লা তশেংনমক্কী অচুম্বদুমক খঙলগসু, অচুম্বদু লৌদদুনা ইন্দিয়ানা পাকিস্থানদা তৌরকখিবা এটেকতুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়দুনা পীবা হৌরকখিবনি। অসুম্না অচুম্বমক ওইনা মথং নুমিৎকী নুমিদাংদা ইন্দিয়াগী জম্মু এয়রপোর্টতা মশীং থিঙমদ্রবা মিসাইলশিং অমদি ফাইটর জেটশিং শীজিন্নদুনা পাকিস্থাননা ইন্দিয়াদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবা হৌরকখি। থৌদৌসিদগী ইন্দিয়া-পাকিস্থান অনীগী লান মখা শাংথনরকখিবনি।


হৌজিক-হৌজিকমকসু অদু মঙায়, ইন্দিয়া-পাকিস্থান অনীগী লান লেপ্পখিবগী ৱাফমসি তরাই-তরাইনা লৌবা খক য়াদ্রি। ফীভমসিদা কনাগুম্বা য়ুট্যুবতা লন্নাই ওইনা একাউন্ট হাংবা য়ুট্যুবরশিং নৎত্রগা ফেসবূক অমদি ইন্সটাগামনচিংবগী একাউন্ট হোল্ডরশিংগী মফমদসু ফোঙদোকচনীংবা খরদি লৈ। হায়রিবা ইচিল-ইনাওশিংসিনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান অনীগী হৌজিক-হৌজিকসু অসুম্মক লূনা লৈনরিবা লানগী ফীভমসিদা, হন্দক থোকখিবা লানগা মরী লৈননা ৱাখল লান্না লৌনরকপা য়াবা ৱাফমশিং অমদি শেম-শাবা ভিদিও-ক্লিপ্পিংনচিংবশিং কয়া থাগৎপসিনা করিগুম্বা তাঞ্জাদা লৈবাক অনীগী মরক্তা অমুক হন্না উংখৎনবগী থৌদৌশিং থোকহল্লক্লোই হায়নীংঙাইসু লৈতে। মহৌশানা লানগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদদি ফাগি-ফরাংশিং নৎত্রগা ওইদ-পাদবশিং হায়বসি পঙতৌ তৌনরমদে। শুপ্নগী অচুম-অচুম্বা, অওই-অওইবদু খক্তমক হায়নবনা অমদসু-অমদসু কায়নদবা হায়বদু ওই। তঙাইফদ্রবদি লান হায়বসি তৌদববুদি য়ারক্তবনি। অদুম ওইনমক, লান তৌনবা হায়বসিদি পূন্নমক্কী ওইনা মতম পূম্বদা অফবা থৌদৌ অমা হায়বদুদি খক ওইদে হায়বসিসু ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙলি। তৌববুদি, হন্দক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তেনখ্রবা মতম অমগী মনুংদা ইখঙ-খঙহৌদনা, পাকিস্থান লৈঙাক্কা থেংনরিবা লানসিগী ওইনা সিজফয়র তৌনবদা অয়াবা খঙপী-পীথোকখিবা সিমবুদি হৌজিকসু মীয়াম্না ইপেন পেন্নদবা হায়বদু ওইনরি। থৌদৌসিগী মরমদা মালেমগী মশক নাইরবা মীওইশিং অমদি ইন্দিয়াগী লুচিংবা কয়ামরুম্লসু মখা তানা ৱাহং কয়ামুক থম্নরকপসু লোইদ্রি হায়বা য়াই। মীচমশিংসু অদু মঙাই, থৌদৌসিগী মতাংদদি হায়নীংবা ৱাফমশিং অমদি হংনীংবা ৱাহংশিং কয়ামরুম অমসু শোয়দনমক্কী লৈনরমগনি। অদুবু লৈবাক্কী অমদি লৈঙাক্কী মচিন চৎপা অচৌ-অশাংশিংগী থাক্তা নৈনরিবনিনা মীচম ঐখোয়নদি হীরমসিদা পংঙাঙ-ঙাঙবা য়াওখিরোই হায়বা ৱাফমশিং মথক্তসু থমজখ্রিবদুনি।

ফাগি হায়বসি অচুম্বা ঙাঙদদুনা অরানবা ঙাক্তা ঙাঙশিনবদুনি। হৌজিক ফাওবদা সোশল মীদিয়াদা ফাগি তৌদুনা লানবু থৌওই-ৱাওইদনা, লানগী মরমদা অরানবা পাউশিং শেমজিন-শাজিন্দুনা মীয়ামদা লান্না তমশিল্লগা অমদি ওইদ-পাদবশিং হায়জিল্লগা কুপ্পে ওইনা য়েংবদা নুংঙাইবা ফাওজরিবা কাঙবুশিং লান লোইদ্রিঙৈদা থিগৎত্রবসু লান লোইরবা মতুংদদি লৈঙাক্লা শোয়দনমক্কী থিগৎলকপসু য়াই। মতমদুদা শোয়রুবা কাঙবুশিংদি ৱাশাসু চাবা য়াই, লাল্লুপসু কাবা য়াই। লীচৈ চাবগী মথক্তা তঙাইফদনা মতম খরদি কৈশুমশঙদা লেনবসু ওইথোক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মীনা লৈবাক্কী ইন্টরেষ্টতা থৱায় খূবাক্তা হাপ্পরিঙৈ মিৎকুপ্তুদা, শেরান-তুরান্না পাউ শন্দোক্লগা নুংঙাইজরিবা অমদি করেম-কথাইনরিবা কাঙবুশিং, মখা তাথদবনা চুমগনি। হন্দক্কী ইন্দিয়াগী এয়র ষ্ট্রাইকতুদা পাকিস্থানগী মিনিষ্টরশিং য়াওনা ইন্দিয়াগী এয়রক্রাফ্ট চাইনাগী এন্টি এয়রক্রাফ্ট খূৎলায় শীজিন্নদুনা পাকিস্থাননা কাপথখ্রে হায়জিল্লুবগীদমক য়ু এসকী প্রেসমেনশিংনা লাক্লগা অচুম্বা পাউরা হায়না তকখৎলুবদা মীমাঙদা চোপ্পখিবা কয়াসু য়াওনখ্রিবনি। চাইনামক্লসু অদুগুম্বা থৌদৌশিং কনফার্ম তৌবা লৈত্রি হায়রিবনি। ৱাফমসিগী মতাংদা, পাকিস্থানগী অৱাংবা থাক্কী মীওই কয়ামুক ঈজৎ লৈখা তানরি। লানগী অৱাবগী মথক্তা শেরান-তুরানবা পাউ শন্দোকপশিং শোয়দনমক্কী দষা তানবশিং য়াওনৈ। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু সোশল মীদিয়াদা শেরান-তুরান তৌদুনা ইন্দিয়া-পাকিস্থান ৱারগী মতাংদা অরানবা পাউশিং শেমজিন-শাজিন্দুনা থাগৎলকপগী থবকশিং য়ারিবমখৈ তৌবীরোইদবনি। য়ামখ্রবা মীয়াম্বু শেরান্নদা খলহল্লগা লান্না লমজিংবগী থবক তৌরিবশিং নোংমা দষা শোয়দনা নংলকপা য়াই। মখা তানা সোশল মীদিয়াদা অরানবা পাউশিং শন্দোকপা কাঙবুশিং, শেমজিন-শাজিনবা অরানবা পাউশিং থাগৎহন্নীংদে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, লান হায়বসি নুংঙাইবা থবক অমদি নত্তে। লান হায়বসিদনি, অচৌ-পীশক খায়দনা মালেমসিগী মশীং থিঙমদ্রবা মীয়াম্না থৱায়না পোন্থা ওইনরিবসি।

শেংনা হায়রবদা, মালেমসিদা হৌজিক চৎনরিবা মওংসি অকনবনা অশোনবশিংবু তশেংনা তুহৎপীবগী মওংমক্লি। শেল পায়বা, মপাঙ্গল কনবা লৈবাকশিংনা শেল-থুমগী ফীভম ফৎচদবা, শক্তি লৈবা খূৎলায়শিং মশীং অমদি মখল য়াম্না লৈজদবা, মপাঙ্গল হন্থবা লৈবাকশিংবু নমদুনা মখোয়না চৎহন্নীংবা মায়কৈশিংদা চৎহনবা অমদি পুনীংবা মায়কৈরোমদা পুবগী চৎনবীসি য়াম্না চাউনা চৎনরি। অসুম্না, মালেমসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী থাক্তা ফাওবা অকনবনা অশোনববু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবীবগী চৎনবী লৈরবা মতমসিদবু মালেমসিগী করম্বা মফমশিংদা শক্তি লৈবা ইনাকখুনবা কাঙবুশিংনা লায়রবা, তোল্ল-তারবা কাঙবুশিংবু য়োকখৎনীংবগী ৱাখল্লোনশিং লৈনরমখিগদগে? লৈরমগনি হায়বা থাজদে, লৈরম্লরোই। শুপ্নগী মালেমগী খুঙ্গং নৎত্রগা লৈকায় অমত্তা ফাওবদসু অসুম্না ইনাকখুনবশিংনা লায়রবশিংবু য়োকখৎ-ইনখৎনীংবগী ৱাখল্লোনশিংসি পোক্লরম্লরোই। অদুবু মালেমসিগী মফম খুদিংমক্তা অসিগুম্বা ৱাখল্লোনসি লৈনদ্রবসু, মালেমগী ওইনা ইনাক খুল্ল-খুল্লবা লৈবাকশিংনা শীনবা থাক ৱাংল-ৱাংলবা খন্ন-নৈনবগী থৌরমশিংদদি "অকনবশিংনা অশোনবশিংবু চিংখৎপীগদবনি, ইনাকখুনবশিংনা লায়রবশিংবু য়োকখৎপীগদবনি" হায়বা ৱাফমসি পূন্নমক্লা য়ানরবা ৱাফম অমগুম ৱারেপ হেক্তা তাই। ঙসিগী মালেমসিগী অপূনবা মীয়ামসিদা হংনীংলিবসি, অদুগুম্বা, "অকনবশিংনা অশোনবশিংবু ঙাকখৎপীগদবনি নৎত্রগা চিংখৎপীগদবনি" হায়বা ফজরবা ৱাখল্লোনশিংতনা য়োল্লগা তাখিবা ৱারেপশিংদুবু ঙসিগী মালেমসিগী করম্বা মফমশিংদা, করম্বা লৈবাক, করম্বা ষ্টেট, করম্বা খুঙ্গং নৎত্রগা করম্বা লৈকায় অমদা চপ-চানা ঙাক্লা চৎনবা য়াওনরিবগে?" হায়বসিনি। মালেমসিগী চাওখৎলবা, ইনাক খুল্লবা অমদি শক্তি লৈরবা লৈবাকশিংগী থাক্তা ফাওবা অসিগুম্বা ৱারেপশিংসি অমত্তা চৎনবা উদ্রবসিদা, মালেমসিগী করম্বা লৈবাক, করম্বা ষ্টেট, করম্বা খুঙ্গং অমদি করম্বা লৈকায় অমদা হায়রিবা ৱারেপশিংসি চৎনরমগদৌরিবনো?

মথক্তা হংজখ্রিবা ৱাহংসিগী মতুংইন্না, মালেমসিগী ইনাকখুনবা লাখ-লাখনা ফংঙমদ্রবা মিংথোল "লায়রবা" হায়বা মিংথোন্দু হেক পোকপদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা শাংলবা চহী লিশীংসিমা মতম চূপ্পগী ওইনা ফংদুনা লাক্লবা, অশেংবা লায়রবা ঐখোয়নদি মতৌ করম্না মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱারেপসিবু ঙাক্লা চৎনবা ঙম্ফম থোকপগে? মরমসিননি, লায়রবা, শোল্লবা ঐখোয়না মালেমসিগী ইনাক খুল্লবা অমসুং মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংনা লৌরিবা ৱারেপ অমদি খন্ন-নৈনরিবা লানসিগী মরমদা ৱাচোই অমা ফাওবা ফেঞ্জিল্লোইসি, ৱাহৈ অমা ফাওবা ফোঙদোক্লোইসি, অচৌবা অমসুং অৱাংবা থাক্তা লৈবা মীওইশিংগী ৱারেপনি অমসুং থৌশিলনি হায়রিবসি। ●

# হে ভগবান! নহাক্কী মুরুলি-বাঁসিদুবু কনানা শাবনো! (৭)



শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

**ডা. লাইশ্রম ইমোবা**

মমাঙঙৈ পোইরৈ লমদমসিদা শ্রীগোবিন্দনা খোঙ্গুল তারক্ত্রিঙৈ মথায়-থায়নঙৈদা থরাউচি হায়না খঙনবা শ্বরনা কামদুনা খোঙনবা খূৎলায় (যন্ত্র) অমা শাদুনা শীজিন্নরম্মী। মদু শা মখল অমগী মচিদগী শেম্বা খোঙন-খূৎলায় অমনি। তৌবতবু মদু লাই ওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংবু লাইনি হায়না থাজরকপা মীতৈ ফূরুপ্না য়াম্না লুনা লৌনরকই। মতম অদুদা খুন্নাই/ফূরুপ অসিগী মী অমা শিবা মতমদা আ থক্তা লৈখ্রবা ইপা-ইপুশিংদা অশিবগী পাউ তাকপা হায়বা অমা পাঙথোক্তবা য়ারমদে। থৌরম অদুদা "থরাউচি" অসি খোঙলম্মী হায়। মতৌ অসুম্না লাইগা মরী লৈনবা খূৎলায় (যন্ত্র) হায়বদু লৈজরম্বনিনা লমদমসিগী খূৎনাইবশিংনা শ্রীশ্রীগোবিন্দগী মীতম হক শারক্লবা মতুং ইচম-চম্বা বাঁসি অমা থোলহনবগী মহুত্তা বাঁসিগী মওংদুদৈ খজিক শেমদোক শাদোক্লগা থরাউচিগী মওং মান্না শেন্নমখিবনি। মসিমক্তনা মীতৈশিংগী ওইবা তোপ-তোপ্পা শক্তম অমনি হায়বা লায়না খঙহনবা ঙল্লম্লিবনি হায়না তাকপীখিবা লৈ। খঙদেনে, লাইনীংদা করিদা নত্তনা শীজিন্নরিবা পোৎলম চৈরমশিংদা ফাওবা মশক-মতৌদা তোৎশিন-য়ানশিন্নরগা পূম্নৌ নৌবা মওং অমা পুথোকপগী নুংশিৎ অসি ঐখোয়গী খূৎনাইবশিংগী লূ-তোংদসু অদুম শাগোন্নরক্লবা জাৎলা!

ৱারীসি মফৈদা হাইদোক্লুরমাল্লে। পাউ তম্বা হায়সিমক্তবু মতা চাখিদ্রবা হায়দুনি। হাইদোক্কনবসিনা- করিগুম্বদা চৈরমদা হাইজিল্লুবকা য়াওদবা নত্তে। ফরে শিন্দমজরিবনি খনবীগনি। সুমতৌদনা ঙসাইগী ইন্দিয়ান ক্লাসিকেল ম্যুজিকক মরী লৈননা, তেংবাঙবা ওইনা নৎত্রগা মদোম লেপ্পা ঙম্বা থাক্তা শীজিন্নরক্লিবা বাঁসিসি চাওরাক্লা মখল অহুম লৈ হায়না ঐজ্ঞামচা লালহরিনা নীংশিংবীরকখি। খরা খজিক পৌরপ তৌবসিনা 'বেজ' কৌই। মসি ইঞ্চি কুন্থ্রারোম ফাওবা শাংনৈ। অদুগা য়ায়মরপ তৌনা শাংবা অসিনা চাওরাক্লা ইঞ্চি তরাতরেৎলোমগকা শাংবসিনা 'মিডল' কিনি, অসুম্না মসিদগী খিৎ হন্থবা/তেনবা, নামিবা হায়রসু য়াবজাৎনি, ইঞ্চি মাপলমুক শাংবসিনা 'হাই পিচ' হায়না খঙনরক্লি।

মস্বাইদগী খজিক কুপথরকপদনা বাঁসিগী মখোলগী মতাংদনি। তাবদা বাঁসিনি খঙবদা নত্তনা নাকোং ফাওদুনা থনুংদা নুংঙাইবগী ঈনোৎ পীবা ঙল্লিবা বাঁসি খোঞ্জেল অসিসু ইমান মান্নবোই খল্লি। মান্নরমদ্রে। মীমক্তদা মীমান্নদ্রিবসিগুল্লম্লে। ওজা লালহরিগী পাউদমদা য়ূম্ফম ওইরগা মখোলগী অনেম অৱাংদা হায়গদ্রা অখঙ-অহৈশিংনা মখল তরেৎ থোক্লা খায়দোক্লি। মদুদি এ, এ সার্প, বি, বি সার্প, সী, সী সার্প, ডি, ডি সার্প, ঈ, ঈ সার্প, এফ, এফ সার্প অমদি জি, জি সার্প হায়রিবশিং অসিনি। হায়রিবা মখলশিং অসিগীসু বেজ, মিদল, হায় পিচ (স্মোল) হায়দনা অহুম/অহুম লৈগদবা ওইরমাল্লে। হায়রিবা মখলশিং অসিগীদমক করি কমদৌনা অমদি করম্বা ৱা খনবা, কমদৌনা হুৎপা-খোৎপা হায়বশিং অসিদি মনাৎ ওইবশিংতগী ৱারী ওইখ্রসনু। তোল্লবগী ওইনদি পাউদম্নবা ৱাহৈ থিবদা অৱাবা ওইসিল্লক্লে, মখা তমথজবা ঙমজদ্রে, ওন্থোক্লা মতা চারমখিদ্রে।

বাঁসিদগী খরা খজিক থৈদোকচরগা, খূৎনাইবশিং অসিসু নমু-পোং ওইবা ঙাক্লি, মীনিদো। অদুনা মখোয়গী লন্নাই ওইনা খিৎ হেন্না মরু ওইরিবসিনা "হিংনয়াই" অসিনা মরু ওইরম্লে হায়বসিমা নীংশিংহৌফম থোকই। মখোয়না শেম-শাদুনা পুথোক্লিবা পোথোক অসিবু লৈবীদুনা শীজিন্নবীনবা মী মরাং কায়না হেক লৈরিবা মখৈ, মখোয়গী কুচু-কুমেন থোকপা হেনগদৌরিবনি। পোথোক্লা মরাং কায়বা, লৈবিনবা মীনা লৈতবা নৎত্রগা লীকপা হায়বসিদি খূৎনাইবশিংগী শেঙ্গাউদা খারৌ কুনবগুম্বনি। মশ্বাই য়ৌরকপা অসিদনি হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিষানশিংনা কঞ্জ্যমরশিংগী পূক্লিংগী ঈহুল খঙনা পোৎ শাদুনা পোথোক পুথোক্কদবনি হায়নরিবসি। সুন্নমক্তবু সনালৈবাক ইরমদমসিদা মীতৈশিংগী নাৎকা মরী লৈনবা, মতিক-ময়াই লৈবা পোৎলমনি হায়না লুনা-হকচিন্না লৌনরম্বা হেন্দিক্রাফ্টকী পোথোকশিংগী মনুং চনবা-ম্যুজিকেল ইন্সক্রুমেন্টকী পোৎলম কয়া উবা ফংলক্তবদা নত্তনা শেন্বী-শাবীবা ঙম্বা খূৎনাইবা ফাওবা লৈরক্তবা য়াওশিল্লক্লে। মশ্বাইদনি প্রমোশন হায়রম্বদগী প্রিজার্ভেশনকা হায়নরক্লিবসি। করি পাম্বৈদি লৈ, কনাদা তাইনরুনি মতমগী য়াওল হায়বদুনি।



মতৌ অসুম্না লমদমসিদা বাঁসি শাবা হৈবা, মসিনা মশিন্থা ওইবা খূৎনাইবা মরাঙ কায়দে, তাঙলক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অমরোমদা বাঁসিবু লৈদুনা শীজিন্নরিবা অমদি মসিগী মমল অসিগী মতাংদদি পূক্লিংদুম নুংশিনীংঙাই ওইরি। মখল খেন্নবগী মতুংইন্না ঐজ্ঞা লালহরিনা শাজরিবা বাঁসিশিংগী মমল অসিসু অহুম থোক্লা লেপ্লি। শম্না হায়রবদা লুপা ৩০০দগী ৫০০ ফাওবগী কাঙলূপ, লুপা ৫০০দগী ৮০০ অমদি লুপা লিশীং অনীদগী মঙা ফাওবগী 'সী সার্প' কী ময়ায় ওইনা চাউ-শাঙবা অসিনা ওইরি। মহাক্কী পাউদম মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদি মহাক্লা শাবা বাঁসিশিং থেন্দুনা থল্লগা য়োন্ননবা শো-রূম লৈত্রি হায়।

ওজা লালহরিনা নীংশিংবীরকপদা, খরা ঙল্লিঙৈ মতম, মহাক্কী অপোকপা লালকহ্বাইনা মপান ফরিঙৈ মতমদদি ইম্ফালদা লৈবা ম্যুজিকেল ইন্সক্রুমেন্টশিং য়োনবা দুকান অমদা মহাক্লা শাবা বাঁসিশিং অসি পূন্না-পূন্না হেক-হেক থিনগৎতুনা য়োল্লম্মী হায়বা ফাওবদি থেংনহৌই। তৌবতবু মখোয়গী ওইবা লনাইগী দুকান হাংবদি তৌখিদে। অদুবু কোন্নথংদদি মদুগী থবক্তুসু তোকথোকখি। মরমদি গুরুদেবনা শেম শাদুনা থিনগৎলুরিবা পোৎলমশিং অদুগীদমক মঙোন্দা পীরক্লিবা মমলনা ইয়াম হেক য়ামদবা অদুগা দুকান অদুদগী কনাগুম্বা ইরৈচাশিংনা লৈরুবদনা মমল য়াম্না তাঙনা/ৱাংনা য়োল্লে হায়বা খঙলকপদগীনি। মদুগীদমক হেক-হেক পাউহোম্নরকপা য়াওখিবজাৎনি। মতমদুদা লমদমসিগী নহাশিংগী মরক্তা পামজদগী বাঁসি খোংনীংবশিংদা মহাক্লা শাবা পোৎলম মমল কা হেন্না তাঙনা য়োনবা, পোৎ লৈজরিবা নহাশিংদা মমলগী অৱাবা পোৎলূম থোনগৎপসি মহাক্লা য়াম্না পামজখিদে। লৈজদবা নহাশিংদুগী পূক্লিং হন্থনীংঙাই ওইখিনি হায়না পাখৎচখি। অসুম্না লম্বীসিদা খোঙদানীংবা নহাশিং য়াওনা অয়াম্বনা ঐজ্ঞাগী মনাক্তা লাক-লাক্তুনা লৈনরে। মদুদদি মহাক্লা মী-মীদুগী য়েংলগা হোঙনা-চাওনা, মঙোন্দসু নামৎসু শিত্তবা পোৎচাক্কী মমলসু মাঙদবগী চাংদা মমল লৌই। মদুগীসু মথক্তা খোংবা-খোৎপগী মতাংদসু ৱা-তান্নবা, তমজনবগী খুদোংচাবা ইরায় লায়না পীবীবা, মসিনা মরম ওইরগা য়ূমদা শাবসু শাবা, য়োনবসু য়োনবা অসুম্না চথুরকখিবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।